# নিংশিং চেফোং

K. Hem Chandra Singha

# SOUVENIR

***The XIIth Annual Conference, 1992***

HOJAI : NAGAON : ASSAM

**ALL ASSAM MANIPURI STUDENTS' UNION**

OKDISCD

*With Best Compliments*

To K. Hem Chandra Singha
Paona Leikai Lanka.
15/9/92

OKDISCD

**SOUVENIR**

The XIIth Annual Conference, 1992

ALL ASSAM MANIPURI STUDENTS' UNION

**EDITORIAL BOARD**

Advisers : Th. Babatombi Singha.
: Karam Ibungahal
: N. Tolpishak Singh.
: L. Sruti Kumar Singha

Editor : **Khaidem Binoy Kumar Singha**

Joint Editor : Meinam Joymangol.

Members : N. Kamal Singha
: K. Santi Kumar Singh.

*Retrieval or reproduction of this production may be done with the permission of the Editor.*

Published by : ALL ASSAM MANIPURI STUDENTS' UNION

*14th November, 1992*

**Donation Rs. 8/- only.**

Printed in India by : *Sree Gauranga Press, Hojai, Assam Ph. 2375.*

Dispur
No. MFS/RR/12/92

Date : 27.10.92



सत्यमेव जयते

# MESSAGE

DR. ARDHENDU KUMAR DEY
*Minister,*
Food & Civil Supplies,
Relief & Rehabilitation
Assam, Dispur
Pin—781006.

I am very glad to know that the All Assam Manipuri Students' Union is going to bring out a Souvenir in connection 12th Annual Conference of the All Assam Manipuri Students' Union to be held on 14th and 15th of November at Durgabari, Hojai.

It is naturul, your various activities will find place in the Souvenir. I hope your constructive activities will set an example to other such students organisations to fall in time with and work for peace, harmoney and national integration, which are the outmost need in the present context.

I wish all success to your Conference.

Sd/-
**(Dr. Ardhendu Kumar Dey)**

*Kh. Binoy Kumar Singha,*
C/o. K. Ibungahal Singha,
Near Gita Mandir,
Natun Bazar,
P. O. Hojai, Nagaon (Assam)
Pin—782435.

OKDISCD

# ইদিতরগী ৱাহৈ

লোন হায়বসি জাতি অমগী খৱাইদগী মরু ওইবা মচাক্কনি। মীতৈ (মণিপুরী) লোনবু নিপালশুবা সেড্যুলদা চনন্নবা তাকশিনবসি ঙসিদগী চহী ৩১মুক শুরে। হন্দক্তা ভারত সরকারনা মীতৈ লোনবু ৮ শুবা সেড্যুলদা চনশিনখ্রে। লোন অসিবু চনন্নবা হোৎনবদা পৃথিৱীদা লৈরবা মীতৈ খুদিংমক্না চাওরবা থৌদাং লৌখি। মীতৈ খুদিংমক্না ৮শুবা সেড্যুলদা চনগদবনি হায়বসি মীতৈ শাগৈ খুদিংমক্কী খোল্লাও ওইখি। ৮ শুবা সেড্যুলদা চন্নবা হোৎনবদা AMSU, AAMSU, MLDCC, MSPA, MSPM ১স্তুং সংস্থা খুদিংমক্না চাওরবা থৌদাং লৌখি সংস্থাশিংবু মীতৈ থুনাইনা লৈরিমখৈ কাওফম থোক্তে।

অসমদা মহৈ মশিংগী মরমদা আৱাৎপা য়াম্না লৈরি। অদুবু মরু ওইনা ব্রহ্মপুত্র ভেলীদা Medium of Instructions সি য়ামনা মরাই চাইথনা লৈরি। এল, পি স্কুলদগী কলেজকী থাক ফাওবা মণিপুরী সবজেক্তসি নিংথিনা তম্বা ফংজ্রে। লাইরিক মিংথিনা ফংদবা ১স্তুং ওঝা হাপ্পীদবা অসিনা মহৈরোইশিংদা অমাংবা য়াম্না ওইরক্নী। সরক অদুনা সরকারনা অয়াংবা মতমদা মণিপুরী সবজেক্তপু অতোপ্পা সবজেক্তশুম্না চপমান্না থুদোং- চাবা পীয়ু। Gauhati University দা Manipuri Subject তা MA Class য়াংনা হাংহল্লু।

AIR গৌহাটি ১স্তুং ডিব্রুগড়দা ঙসি ফাউবা মণিপুরী প্রোগ্রাম পিদে। অতোপ্পা লোনদী পিরি। অয়াংবা মতমদা মণিপুরী লোনদা প্রোগ্রাম পিয়ু। নৌনা হাংলগদবা AIR Nagaon দা মণিপুরি প্রোগ্রাম পিন্নবা তাকশিনবা মথৌ তায়।

বিষ্ণুপুরিয়া শাগৈ অসি মশাগী ময়েক লৈংদবা ১স্তুং লোনস্তু লৈতে। মীরোল পুনসিন্নুনা ঙাংবা জাতিনি। মীতৈ জাতিবু পামজনা মণিপুরীনি হায়বনি। বিষ্ণুপুরিয়াগা মণিপুরীগা মৈহৌরোনদগী হৌনা মরি শুংনৈ লৈনদে। বিষ্ণুপুরিয়া জাতি অসি বাংলাদেশরোমদগী লাকপা কাংবুনি।

ঐখোয়গী থুনাইদা অমগা অমগা মান্নদবা মীয়েং অসি থদোক্লসি। অমত্তা ওইবা ৱাথল, থুনাইসিগী মীয়েংদা চুংশাননা থবক থৌরম পাইখৎপা দরকার ওইরে, পৃথিবীদা লৈরিবা মীতৈ ঐখোয় অমত্তনি। ঐখোয় অমত্তা ওইনা ইশানা ইশাগী থৌদাং মশক খংনা চংশিনবগী মাথৌ তারে।

অরোইবদা নিংশিং চেফোং অসি ফোংবদা মেসেজ, আর্টিকল পিবিরক্পা ওজাশিং অমস্তুং মরুপ-মপাং থৱাই খিবিক্কী মফমদা নুংঙাইবা ফোংদোকচরি।

নিংশিং চেফোং অসিবু ফোংনবগী হোন্নবদা এডভাইজরশিং অমদি আমস্তুগী মরুপ-মপাংশিং লোয়ন লোয়ননা ওজাশিংগী মমল য়ামলবা মতেং পংবিরক্খিবা অমদি অথুবা মতমদা ফোংনবা হোৎনবদা শ্রীগৌরাঙ্গ প্রেছপুস্তু থাগৎচরি।

মতম থুয়েনখিবনা অমদি শেলথুমগী ফিভম্না আর্টিকল খুদিংমক হপ্পা ঙমজখিদ্রে, বনান কয়াস্তু শোয়খ্রে অদুগীদমকতা মীয়ামনা ঙাকপিগনী।

থাইদেম বিনয় কুমার সিংহ
-- ইদিতর
নিংশিং চেফোং, ১২ শুবা চহীগী মীফমলেন, আমস্তু।

তাং—১১/১১/৯২ ইং
হোজাই

OKDISCD

## ১২ শুবা চহীগী মীফমলেন ওল্লাখুৎ কমিটিগী

*সেক্রেটরীগী শল্লপ্পা রাহৈ—*

চৎখিবা আগষ্টগী তাং ২৩।৮।৯২ দা আমস্থু গী নগাওঁ জিলা কমিটীনা শিন লাংতুনা ফমখিবা মীফমদা হোজাইদা আমস্থু গী ১২ শুবা চহীগী মীফমলেন পাঙথোক্লবগীদমকতা রারেপ তাখি লোয়ননা ঐহাকবুস্থু মীফমলেন অসিগী ওল্লাখুৎগী সেক্রেটরী অমা ওইনা শিন্নবিখি। লমদম অসিদা মীফমলেন অসিবু পাংথোক্লবা খুদোংচাবা পিবিরকপগীদমক্তা আমস্থুগী মফমদা লমদমসিগী মীতৈ পুম্নমক্না নুংঙাইবা ফোংদোকই।

মীফমলেন অসিবু মপুংফানবা থৌনা পাউতাক অমস্থুং শেনগী তেংবাং পিবিরকপা ওঝা UMAA, থেঙ্গুজম বিকাশ, ডাঃ শানৌ, আব্দুল ইছলাম, এল বাচাধন, এইচ কৃষ্ণকুমার, এল কুঞ্জ, কে, গৌরমোহন, এল গোলাপ, কারাম ইবুংহল চিংবা ওঝাশিংবু কমিটীগী মাইগৈদগী তৌবিমল উৎচরি। লোয়ননা এডভাইজরশিং কয়া পিবিরকতুনা ঐথোয়গী মিংশিং চেফো বু মপুং ফাহনবিবা ওঝাশিংগী মফমদস্থু নুংঙাইবা ফোংদোকচরি।

মতম পুম্বনা মতেং পিবিরকপা ইচে সরস্বতীবুস্থু তৌবিমল হঙবা উৎচরি। নেহরু হোজগী অয়া-য়াথং পিবিরকপা, ঙৈবাগী খুদোংচাবা পিবিবা য়াম্বুং রাজকুমার মনিস্না, দক্ষিণ হোজাই হাইস্কুলগী ওঝা থৌদাম বাবাতম্বী বুস্থু তৌবিমল খংবা উৎচরি। আমস্থু নগাওঁ জিলা কমিটী, ডিভিজন, ইউনিট কয়াগী মতেং, থৌনাবু কাউজরোয়। পিশক, এল অমল, শরৎ, কমল, সুভাষ, রাজু, অজিত, লোয়ন্না তেংবাংবিরকপশিংবু কমিটীগী সেক্রেটরী অমা ওইনা কাউজ্জরোই।

মরুওইনা তাদ ডব্লিউ চন্দ্রকুমার, ঐগী মরুপ এল, সুরচন্দ্রগী মতেং মতম পুম্বদা কাউবা ঙমজরোই। ভি আই পি বেঙ্গলাচিংবা শেম্বিরকপা ইচে কারাম পঙ্করতীবুস্থু তেংবাংবিবগী দমক্তা তৌবিমল উৎচরি। লোয়ননা ওল্লাখুৎগী কমিটীগী মেম্বর পুম্বা, এডভাইজর হিজম প্রদীপ, ডব্লিউ জয়কুমারনাচিংবা ওঝাশিংগী মতেং, থৌনা পিবিবা কাউজরোয়।

অরোইবদা লমদমসিগী মীতৈ ইপা-ইপল, ইমা-ইন্দোল, ইচল-ইচেশিংনা পিরিরকপা মতেং গীদমক্তা তৌবিমল খংবা উৎচরি।

*ঈগল ক্লাব* গী মেম্বর খুদিংনা থবক থৌরম পুম্নমকত্তা মতেং পাংবানা নত্তনা ক্লাব অসিদা লৈবগী খুদোংচাবা শিনবিবগীদমক্তা নুংঙাইবা ফোংদোকচরি।

তাং— ১৩।১১।৯২ ইং
হোজাই।

*পুকচেলশেংনা—*
য়েনদ্রেম্বম কুঞ্জমোহন।

# INSIDE


| | | |
|---|---|---|
| য়াওনদা মীতৈ নহারোলগী শক্তম/১ | : | ডাঃ নাওরেম সানাজাওবা |
| মহৈ-মশিং তম্বদা মমা-মপা, ওঝা অমদি মহৈরোয়শিংগী থৌদাং/৪ | : | থৌদাম বাবাতোম্বী |
| 'অউনপোৎ তানবা' খুনাইদা অমাঙবনি/৭ | : | কে, সরস্বতী |
| কাক্ অমস্থু তিন্থ্রোক্/১০ | : | এন্ ইন্দ্রকুমার সিংহ |
| মীতৈ লৈমা/১১ | : | হাওবম চম্বু ইবেমচা |
| লাইপোক/১২ | : | মৈনম জয়মঙ্গোল |
| কেনসারশিদগী কন্নবা শিদ হিদাক/১৩ | : | জয় নিংঙোম্বম |
| মৈতৈ লৈরাং/১৪ | : | নিলকমল লোংজম |
| করিগুম্বা/১৫ | : | টিএইছ, বিমোলা দেবী |
| মতমগী হেলোয় শকহেনবী/১৬ | : | নোংথোম্বম নবকিশ্বর |
| রাথল অমা/১৭ | : | খাইদেম অমল সিংহ |
| লৌশিংগী মৈরা/১৯ | : | য়ুম্নাম তোনদোন মীতৈ |
| নগাওঁ ডিসট্রিক্ট মণিপুরী ষ্টুডেন্ট এসোছিয়েছনগী হৌরকরারী/২১ | : | হিজম প্রদীপ কুমার মোইরাংচা |
| Three Things/24 | : | A: Shyam Singha |
| 560 Years of Assamese and Manipuri Relation/25 | : | Karam Ibungahal |
| হায়জ্বা/28 | : | শ্রীমতি রেনুকা দেবী |
| Advertisments | : | |


OKDISCD

# য়াওনদা মীতৈ নহারোলগী শক্তম

ডাঃ মাঙ্গরেম সানাজাওবা
*হেড লো ডিপার্তমেন্ত, গৌহাটি য়ুনিভারসিতি।*

কুনমাথোয়শুবা শতাব্দী চংলক্কদবা চহি খরতা মঙায়রে। মালেমদা, সুপর পাৱার 'সোভিয়েৎ য়ুনিয়ন' না লৈবাক অমা ওইরম্বদগী মনিংতম্বা লৈবাক তরামঙা থোক্লা শক্তম হোঙখ্রে। য়ুগোসলাভিয়ানা মনিংতম্বা লৈবাক মরি থাক্লা ওনখ্রে। চেক্কোসলাভাক্কীয়ানা লৈবাক অনি থোক্কদৌরি—মতম ঙায়রগী ৱাতনি। ১৯৯২ গী জুন থাদা ব্রাজিলগী রাইত্তদে জেনেইরোদা, মালেমগী লৈবাক্কী মক্কোক ময়াম্না 'ইনভারোনমেন্ত' কন্নবগী ৱারেপ কয়া লৌখ্রে। ১৯৯২ গী সেপতেম্বর থাদা জাকারতাদা 'নন এলাইন্দ' (মীচঙ-চুংশন্নদবা) লৈবাক্শিংগী অচৌবা মীফম অমনা মীচং চুংশন্নদবা লৈবাক্শিংগী ঈহৌশি চত্থীগনি হায়হনা য়ানখ্রে। ইকুয় কুয়দনা, অপিক্কপা লৈবাক কুয়েৎপু মোইগেম তৌহনা তিনশিনলুবা ইরাক্কপু, মালেমগী লৈবাক ২৯ না লান্দাহনা, ইরাক্কী খায়াত্তগী কুয়েৎপু নমহনা ওথোক্কহনখ্রে। চহি অমগী মমাঙদা জর্মন লৈবাক অনি পুনশিন্নথীহনা, জর্মন লৈবাক অমত্তং শেমখিবদগী, থবক ফংদবগী ৱাথোক তারি। য়ুরোপতা মাষত্রিত্ততা য়ুরোপকী লৈবাক ১২ না পুন্দুনা য়ুরোপপিয়ান য়ুনিয়ন অমা শেম্বা হৌখ্রে—মহুগী মঙ্গুংগী ৱা খর থোক্কপা হৌরি। আমেরিকানা অপিক্কপা লৈবাক কয়াবু চৱা হেলহন্দুনা, লৈবাক অতৈদগী খায়দোকপীহনা অৱাবা পীবা হৌখ্রে। নহাক থাজব্রা? —অশুক্কচাউবা অহোঙবশিংশি চহি খরসিততা, নঙ ঐগী মীৎকি মমাংদা থোক-লিবনি॥

গ্রীকী ফিলোসোফর হেরাক্লিতসনা হায়খী—নহাক্না তুরেল অমগী ঈশিং মশা অমত্তনা ইরুজবা ফঙলোয়। মরমদি, নঙ-ঐনা ইরুজখীবা হিদেনগী ঈশিংহু অনিরক শুনা ইরুজবা লাকপদদি, লোকতাক য়ৌনা চেন্থব্রবনি। মালেমগী, খুনায়গী, নঙ-ঐগী ৱারীশি অশুম্না মতমগী ঈরৈদা লুপখিবনি। ঙরাং ওইরম্বা ঐহু, ঙসিদি মহুমক ওইদ্রে—ঙসিনা ঐ, ঙরাঙগী ঐদগী খর শিঙগৎলি—চুমদব্রা? অথেংবা, ১দি য়াওস হায়বশি মীওইবগী ৱারীনি। য়ুনিভরসকী থিওরী পারুরবম্বু, জেরোতাইমগী য়ুনিভরসত্তু, ইং কুমজা ১৯৯১ দদি অঙক'ফংনা চাঙথোক্কখ্রে নত্রগা, মশক হোঙখ্রে॥

থায়নাগী মতমগী চহিদগী চাওখৎপা, ইজিপ্ত—বেবিলোনগী চাওখৎপা, মোহেনজো-দারো—হারাপ্পাগী চাওখৎপা, দৱারকাগী অমদি ফুনান (সাউথ-ইষ্ট-এসিয়া) গী চাওখৎপা, মতমগী ঈরোন্নঙদা লুপশনখী। নহাক থাজব্রা? —বৃতিশ সাম্রাজ্যনা ময়ায় চায়থখীনি হায়বা॥ আমেরিকাগা চাওখৎপা চপ মান্নবা সোভিয়েৎ য়ুনিয়ন্না মতোমতা, মশাগী অরুম্বনা অহুহনা

OKDISCD

লৈবাক ১৫ ওন্থোকখী। আর্য্য-দ্রাভিদা জাতি ২ না নিংথৌ-মন্ত্রি শিন্ন শিন্ন ওইতুনা পানবা ভারত লৈবাকতা, অরিবা লৈবাক ৫-৬ না ভারতকী রাংমদা লৈতুনা মনিংতম্বগী 'ঈহৌ চথরিবশি, কনানা থাজবা ঙম্বগে—ঐখোয়গী মিংকি মমাঙদা, পুরারী (ইতিহাস) গী ঈথক ঈপোমনা অকনবা শউমগা লোয়ননা আর্য্য-দ্রাভিদা সাম্রাজ্যবাদ ( ইমপেরিয়েলিজম ) কী লৈরায়দা লেপপা লৈতনা য়ৈরি। মশিনী মীওইবগী রারী মীথা থানিংদবা, মনিংতমনিংবা অমদি পুন্না হিঙমিন্নবগী রাখল, ঈথক-ঈপোম॥

নহাক্না সোসিয়েলিজমবু পাম্বা য়াই পামদবা য়াই। নমহৎপীবশিংনা তুহৎপীবশিংবু মান্নমা হিংমিন্নবা হায়বশিদদি, পুন্নমক্কী অফবা রা, অফবা পাওজেল য়াওই। সোসিয়েলিজম চৎপা লৈবাক অমনিগী অচোয়বা থবক থৌরাং উরুরগা, সোসিয়েলিজম্ব মীওবগী মাঙনবনিদি কনামতানা হায়বা ঙমলোয়। নোঙচুপকি কেপিতেলিজমশু ফনা য়াম্না মশক ওনখ্রে, নত্রবদি নোঙচুপকী খুনায়দা কেপিতেলিজম্ব লঙশেকখীগনি—। মালেমগী রারীদি, নমথবা ওৎপা নৈবা হায়বশিদি, লেপপা লৈতনা লংশেকপা ঙাকনি। হিন্দু মবুধৌ লাইপুরেন, কৃষ্ণনা "গীতা" দা ফত্তবা কাঙবুবু মালেমদগী মুৎথৎখীনবা অর্জ্জুনদা হায়রীবতুনি। ফত্তবা মুৎথৎপদা, অফবা কয়ামশু মাঙজে—হু চেনবা, হুগী হুঙাক্তা মহি থোকপা উজাও অমা তুথরকপদা, করিথঙজদবা, কনাদা লানজদবা নাপী শিংবী, ফজবা লৈকোন কয়া শোকই, তুমই। অতুবু হুচেনবা উপাম্বীতুদি, মহৌশাগী নিয়ম মতুংইন্না তুখরকপা তাবনি। মীওইবগী রারীশু শি ঙাকনি। আর্য্যনা লুচিংবা এম, কে গান্ধীগী ঈহাদবা—'নন-ভাইওলেন্স মুভমেন্ত" কী মন্নুংচন্না, ১৯৪২ গী আগষ্ট ৯ গী 'কুইট ইণ্ডিয়া মুভমেন্ত'দা মী কয়া শিখ্রে, মী কয়া শোকখ্রে, গান্ধীগী সেবকশিংনা রেলরে চা কয়া, পোষ্ট অফিস কয়া, সরকারগী অফিস চা কয়া মৈ ওলহনখ্রীবনো? মী অমগী ঈ তাবা পামদবা গান্ধীনা, অনিশুবা মালেমগী লানজাওদা ঈগী সমুদ্র চেনবদা য়াওরুনবা মাগী সেবক সাখা লিশিং কয়া ঈ-তাবা য়াওহনখীদব্রা? বোলসেভিক, চাইনীজ, আমেরিকান, ফ্রেন্স রেভোলুশনগী ঈতৌদা মী কয়া পুন্সি ইথয়খীদব্রা? গান্ধীনা শেমজবা গান্ধীজম চৎপা সরকার ঙসিফাওবদা মীওইবা লীশিং কয়াগী পুন্সি মাঙহনখীদব্রা? মশি মীওইবগী রারীনি। অতুমক য়েলহৌঙৈদগী ঙসিফাওবা, তুংফাওবা চেন্থগদৌরিবা মীওইবগী ইতিহাসকী অচৌবা তুরেলগী ঈরৈনী।

অখণ্ড অহৈশিংম "জাস্তিস" — অচুম্বা (ন্যায়) কী রা লেপপা লৈতনা পল্লী। রাহৈশিদি হোঙদে, রাহৈশিগি মচাক, মন্নুংগী রাদি নুতিগী হোংই। হিন্দুগী বামোন মকোক "মন্নু" কৌবতুনা, বামোন অমদি মীনায় খায়দোকলমই, নুপী অমদি হরিজনবু হাংননবা হু চেনবা রাহৈ কয়া হায়রমই। চহি লিশিং ৫ গী মমাঙদদি, খুনায়না মতুবু চুমই হায়না লৌরম্বা য়াই। ইংকুমজা ১৯৯২ দা, বেদনা, মন্নুনা হায়বনি, অতুনা নংঐগী 'মীনায়' ওইয়ু, 'হরিজন' ওইরু নংগী চাক শরুক ঐনদি চাবা য়াই, ঐগীদি নংনা শোকপা য়ারোই, নংগী শাগৈগী নুপীদি ঐনা লৌগনি, ঐগী শাগৈগী নুপিদি নখোয়না লৌবা য়ারোই, ঐনা শেঙই, নংনা মাঙই হায়রুবদি খুদকতা জেসদা থমলোয়দবগী মরম করি লৈবগে? লৈরম্বস্তু য়াবা, লৈরম্বদবস্তু য়াবা, ঈশ্বরগী রাহৈনি, হায়তুনা নঙনা পঙহায়দা হায়জল্লগা, মীওইবা খুনায়গী মরকতা চাওর চাওরবা ফক্লাং ফাজনবদি, নংগী ঈশ্বর (লৈরমে হায়জরবস্তু) নত্ত, নংবু থায়দগী তুক্কচননা লৌগনি। "নঙোন্দা তৌহন্নিংদবস্তু, মীঙোন্দা তৌরুগনু"। ঈশ্বরহুনা লৈরম্বা তারবস্তু ( ঐদি থাজদে! ) বামোন মচা নংতগী নপা-খারা, মালেমগী মরাইবক থীবা পুন্নমক্কীদি মপা মপ। নত্তবরা? ডা: বি, আর আম্বেদকারনা কাষ্ট সিস্তেম মুৎথৎশি হায়বহ অচুম্বনি। মীওইববু মাঙই শেঙই শেম্বদি, মচিন থিবা, ওইজবদা থীবা মী কাঙলুপ্তুনা হায়বনি। ফজনা য়েংলুরবদি, লাই ঈশ্বর, আল্লা, জেসস—মীওইবা ঐখোয়গী কোকতগী শেমখিবা ঙাকতনি। "লাই" হায়বশি মীওইবা ঐখোয়না শেম্বনি।

হিস্তরী, ইদিওলোজী, সাইন্স, ফিলোসোফী লৈবাক ঙাকলোন, আইন, চংনলোন খঙবগী মথকতা, মতুবু শেম্বদস্তু মীতৈ নহারোলশু য়াওগদবনি। রাখল্লোন পুম্বা মীওইবনা শেম্বা ঙাকনি অচুম্বা রাখল্লোন খনবা, লৌবা ঙম্বশিংনা কাংলুপ অতৈগী মাং থানা চৎলি। নহাক থাজব্রা?—সোভিয়েৎ য়ুনিয়নগী য়েক্রবা ওইবা আমেরিকাদা সোভিয়েৎ য়ুনিয়নগী মরমদা, হিরম খুদিংদা খঙবা থিজনবা খাইয়গী মকোকতা লৈ। মতুমকনি, 'মাওজেদোং" না মাগী লালহৌবদা, য়েক্রবশিংবু, যওবশিংবু হান্ন মরিকচুম্না খঙনবা হায়রম্বতুনি। ফত্তবা খঙনগা, অফবা খঙবা ঙমই। মশি মীওইবগী রারীনি। ঐগী খুনায় ইরৈবাক, ঐগী ইরৈবাক্কী পুরারী খঙবগা চপ মান্নমা, মীওইবগী পুরারী মরিকচুম্না খঙবা তাবনি। ঙসিফাওবদা, চাওখৎখ্রিবা নোংচুপক্কী লৈবাকশিংশি অরাবা থেংনখিদবা য়াওদে অতুনা আরনোলদ তোয়নবীনা হায়রম্মী—সিভিলাইজেসন হায়বসি মীওইবনা অচৌবা আরাবা কয়াবু জয় তৌরা ঙম্বদগী থোরকপনি। ঙসিগী জাপানীজ অমানা নোংমদা, পুং ১৪ থবক শুই নঙ চুম্না হায়য়ু নোংমদা পুং কয়া থবক শুই। অতনবা মরৌতৌবা, নমথাকতৌবা মীওই কাংলুপশিংগী ফিদম্না মীতৈ নহারোলস্তু লমজিং লোয়দৌবনী। নহা ওইনা লৈখিদবা, আমেরিকাগী প্রেসিডেন্ট জোহন এফ, কেন্নেদীনা হায়রম্বতুনী—"নংগী নরৈবাক্না নংগী করি তৌথ্রবগে হায়বহ হংলুগন্ন, নংহাক্তা নংগী নরৈবাক্কী করি তৌথ্রবগে হায়বহ হঙউ।" মীতৈ খুনায়না চাওখৎপা মতমদা, মালেমগীস্তু মচেৎ অমদি চাওখৎলবনি। অচুম্বা য়াওন, মতম্না পুজরককনি।

"ঈপাম মৈ হৌরে
লাংচীং মৈ চাকলে
হা ঈদু নিংথৌ লৈত্তবরা
খাম্বী মৈ কল্লো"॥

—চিংউ খোংনাংথাব।

# মহৈ-মশিং তম্বদা মমা-মপা, ওঝা অমদি মহৈরোয়শিংগী থৌদাং

—থৌদাম বাবাতোম্বী

অাখঙ্ অহৈ শিংনা হায়নৈ — 'যুম্না ওইরকপা মতমদা খুয়া তুশিংনা লেনগাদৌবা (তাংজফম) মতমদসু অয়াম্ব মতম লৈমিন্নবনিনা নরা ওইরিঙৈদগী শেম্ব মতমদা রাফম অসি মরি লৈনা রাখল থম্বা তাই। মমা-মপানা মহৈরোয় ওইরিবা মচাশিংবু লাইরিক তমফম

অঙাংগী অহান্বা মহৈশঙ্নি অদুগা মমা-মপান মরূ ওইবা ওঝানি' —অঙাং অদুনা মমাগী পুক্নু দা লৈরিঙৈদগী হৌনা মমাগী রাখল-পুখল, লিচৎ শাজৎ পুম্বগী মঙাল খর তায়। ন'রা ওইরিঙৈদগী মমা-মপাগা ওৎমীন — চামিন্নহুনা লৈ। লৌশিং খর তারক্পাদগী মমা মপাবু খঙ্বা হৌই-মথোয়গী মতৌ তম্ই। নৌনা রাখলগী য়েনিং হুলক্পানি নরাহুগী ফেমিলিগী লিচৎ শাজৎ রাহৈ রাতানা ওমশীল্লগা ওই।

অঙাংদি মী:তৌ তম্ই। ময়াম্ব, মচেনা কৌ-ঙাংবগী খনথোক্তা কৌ-ঙাংনবা হোংনৈ, চৎপা শাজৎ চৎপা তমই। মতাং অসি মমা মপানা য়াম্ন চেক্শীনগদৌবা মতাং অমা ওই। চফ্শাবা কুমারনা লৈপাক অপেৎপনা শানিংবা মওংগী পোৎ শাবগুম্ অঙাংগী থোৎলিবা রাখলগী হীক হীনাওবু মমা-মপানা চুমহনা পুবিবা মথৌনি। হৌজিক্কী মতমদা নাছ'রী স্কুলনা চিংব লৈরিবা অসি রফম'সিগা মরি লৈইনৈ।

মমা মপাগা, আঙাংগা নোংমদা পুং কূনগা মরিগী মসুংদা অরিক্পদা পুং তরা তরুকগুম্ব লৈমিননৈ। অদুগীসু মথকতা মহৈ তম্বা লোয়রবা মতুং পুন্সিগী ময়াই চাওথৎননবা হোংনবা মতম, অমদি মমা মপানা অহল্না ময়েক্ক লানা তায়। ওঝাগী মতীক কয়াম

শঙ্দা মিং চল্লগা মশাগী মথৌ লোয়রে খনবা য়াদে। মহৈরোয় অদুনা করি তৌরি অমদি করম তৌরি হায়বনি নুংতিগী য়েংশিনবিবা তাই। অদুগত মহৈরোয় অদুগী আরাংপা করিনো খঙবা ঙমগনি। মতম লৈরিঙৈদা অকায়বা মেনশীনহুন শেমনিংবা মওংদা শেম্বা ঙমগনি। খুন্নাইগী চাওথৎপদা মক্তেং ওইরুগনি।

ওঝাশিংগীসু মহৈরোয় শেম্বগী মথৌদাং তরাইদে। পণ্ডিতশিংনা হায়নৈ — ওঝাদি মহৈরোয়শিংগী মরূপ ফিলছফার অমদি লমজিংবিবা মীওইনি। মী শেম্বা মিশিননি। রাখলদা খঙ্দে শাওংদা খঙদে মপূং ফাদ্রিবা নরাবু মপুং ফাননবা ওঝাগী মফমদা শীন্নব মতাংহুদগী অঙাহুগী মপুকনিংগী রাখল খঙ্না মরূপ অমগী মওংদা লমজিংবিহনা পুবা ওঝাগী হেনফজরবা লূরবা মথৌনি। ওঝাগী রাফম্না অচুম্বানি তৌফম থোক্কই হায়না মহৈরোয় শিংনা লৌই। রাফমসি তরায় তরায় দে-মতাং অসিদনি অশেংবা ওঝা মথৌ তারিবনি। ওঝাগী শেংপা-চাবা, শাজৎ লিচৎ অমদি থুংই ফাওবদা মহৈরোয়গী পুসিদা মমি



চাওরিবনো —অসিননি লাইরিক হৈবা পুম্নমক্না ওঝা ওইবা ঙমদে হায়রিবসি। ওঝা ওইরবদি অশেংবা ওঝা ওইবা তাবনি। রাফম অমনা ওঝানা য়ুমদা মমল লৌহুনা মহৈরোয়বু তাক্লবদি মহৈশঙ্দা তাকপগী মমল হুন্থরকই। ওঝানা মচুত্তানা তাকলিংদে অহগা মহৈরোয়নসু য়ুমদা অমুক তাকচগনি হায়হুনা থৌশারোইদবগী হীরম লৈতবা নত্তে। অসিগী মওংসি মীওই খরগী খরদং কান্নরগসু মায়ামগী ওইনদি অমাংবা লাকই।

ঙসিগী য়াওলদা তোঙান্না ওঝা অমুক লৌহুনা মহৈরোয়বু অমুক তোঙান্না লাইরিক তাক্হল্লবা কন্না হোৎনৈ, ফীভম অসি করিগী ওইরিবনো ? লায়নাসী কোক্নবা ময়াম্না হোৎনফম্ থোক্ই।

ফীভম'সিগী হীরম চাওরাক্লা মতীক চাবা অমদি মতীক চানা ওঝা মহৈশঙ্দা পীদবা। মাঙ্গেমশিদা ফম পুম্নমক্তগী ওঝাগী ফম্না খ্বায়দগী অলূবা অমদি অকন্বা ফমনি। করিনা ওঝাদি মী শেম্ব মিশিননি। অদুনা খরায়দগী অফবা অমদি অশেংবা ওঝানা শীনফমসিদা চংগদৌবনি। অরাবদি থবক্ক অতৈ ফঙঙ্ কত্রগত্তা ওঝা ওইবা তান্নই অহগা মহৈরোয় মশ ঙগা চান্নরা ওঝাসু লৈবা তাবনি। অরাবদি মখি লৈনবা থৌবুবশিংনা রাফমসি খঙ্না খঙ্না তুমিন্না লৈথোকপ অসিনি। মথংদা মতম চান' তম্নবা লাইরিক ফংদবনা মতম লৈতবদগী ওঝানা পোপক্লী পোপলী শায়রগা ঈশিংগা কোন্ননা য়োংশীনব চাক্লা তুম্ব রাংপগুম মথংগী থাক্তা থাংগৎপদগীনি। অদুগীসু মথক্তা মমা মপানা মতম চানা য়েংশীনব রাংপসু অচৌবা হীরম অমা ওই।

*হৌজিক মহৈরোয় অমগী মথৌদাংগী মরমদা খম্নসি ঃ—*

মমা-মপা অমদি ওঝাশিং পুম্নমক অসিনা তাকপী-তিকপীরিবা পুম্নমক অসি কনাগীনো ? মহৈরোয় মহাক্কীদমক্ক নত্তরা ? অদুনদি পুম্নমক'সি মহৈরোয়দা শূন্ন তাবনিনা মহৈরোয় অমগী মথৌদাংনা খরায়দগী ল্মই।

লৌমী অমনা নোংজু নুংশা থায়দনা, আরা আনা থীদনা লৌ উরগা পোইন্নুদা নুংঙাইবা অদুগুম্ন মীওইবগী পুন্সিগী লৌ-উবগী মতমদি মহৈতম্ব মতমসিনি। মতম চাদনা লৌ-উরগা পোইন্নুদমক্ আরাবা ফংবা অদুম হায়না মহৈতম্ব মতমদা আন্নাবনা কিহুনা মহৈ তমত্রবদি তুংগী পুন্সি খুদাং পীরাং তৈহনা শোয়দনা লেনগনি।

মতাং অসিদা ইংরাজীদা হায়বা "Early to bed and early to rise makes a man healthy, wealthy and wise" অসিগী রাফমশিংসে ঙাকতুনা চৎপা ফৈ। মতম চানা তুম্বা-পোথাবা তায়। V. D. O. সিনেমান চিংবা য়েংহুনা থেংনা লৈথোক্লবদি অসিগী চৈনাখোল কোক্কনবা রাখল চুম্বদা মতম মাংই। হক্কচাংদা অনাবা পোক্লক্পা য়ায়। মতম চান তুম্নবদি অহগা ঙস্তানা হৌগৎলবদি লাইরিক্ক পাবগী, শীন তম্বগী মতম মারাং কায়না ফংব ঙম্গনি নিংবা থুংগনি।

"ছাত্রানাম্ অধ্যনয়ম্ তপঃ" পাওরো অসি মহৈরোয়গী তম্কৃত্তি অথোয়বা রাফমনি। মুনি ঋষি শিংনা মহাক্কী নিংজবা, পামজববু ফংননবা চহী মশিং নাইদনা চাবা-থক্পা আরা-আনা থিদনা তপ ধ্যান তৌবা অদুম হায়না মহৈরোযশিংনসু আরা-আনা থিদনা

OKDISCD

লাইরিক ঔরায়বা অমত্ত ওইবা মথৌদাংনি খম্ব তায়। পুক্লিং চেৎপদা একলব্যগুম্ ওইবা ঙম্নবতদা মশাগী পনথুংফম য়ৌব ঙমগনি তুংগী পুন্সি হুঙায়না লেনবা ঙমগনি।

মুনিশিংগী লাইনিং কায়ননবা ভূত-প্রেত, হিংচাবাশিংনা য়ৈইথায়বা–থীনগায়বা পুম্ববু খাংহনা নিংজবা থুংবগুম্ন মহৈরোয়গী পুন্সিদস্থ হারাও-কুমহৈ, আরা-আনানচিংবা অপনবা কয়া লাক্কনি। পুম্নমক অপি তুংওইননা থমহনা পুক্লিং, হকচাং রাথল শূপ্ন অমত্ত ওইনা লাইরিকতা থরায় য়াওবগী মথৌনি। অহলশিংনা তাকপি অহুদি লংহীমুক পীকপা থৌরীদা চাওরবা নুংপাক অমা য়াল্লগা মখাদা পুক্লিং চংনা লাইরিক ঔরাইবা ঙম্ব অহদতা পুক্লিং লপ্পা ঙমবা ওইরে খঙগনি।

পুক্লিং চংবগী রারী অমাগা তাশি--

থাইনা নিংখৌ অমগী হাক্তক্কতা মবুক নোইবা মকোক চাওবা য়াম্ন নেম্বা নুপা অমা লৈরমই। মহাকপূ উবদা ময়াম্ন ক'ক্কা-পুক্কা লাকএ হায়না লকুরমই। নুপাসিনম্ন মথোই থিংনা শাওরমই, মহাক্ন শাওর শাওরগা ময়াম্ন হেন্না লকুরমই। মহাক্ন চৎপা মাইকৈদা অঙাং ময়াম ময়ামস্থ কুরুহনা মতুং ইন্নরম্নই। নুপা অসিনা চৎথোক-চৎশীন রারহনা নিংথৌদা রাকৎলে।

মহাক্কী রাফমসি তারগা নিংথৌনা মুন্না খল্লগা মনাই অমা কৌথোক্লগা নুপাহ লৈনাহনা চংনবা হায়রে। নুপা 'হুগী মথুংবাকতা থাউ চোংন্ন থম্বা তেংগোং অমা হাপ্লগা শানা কৈথেল ক্কোয়না চংতুনা অযুক দরবারদা হল্লকুবা য়াথং পীরে। অহুগা করিগুম্বদা থাও অহ নিকথোক্ল-বদি অঙাং ওলহনগনি হায়হনা খুদকৃতা নুপাহ থাথরে। পুং অনিরোমগী মতুংদা নুপা অহ মথুবাকতা তেংগোং অহ পুহনা থাউ মরিক অমা তাহন্দবমথৈ হল্লকএ নিংথৌনা নুপাহগা মহাকপু মীওই কয়ানা করেম্নরকপগে হুংবদা নুপা অহুনা মথুবাকতকী তেংগোংতা য়াওরীবা থাউ অহ শেন্নবদা কনানা করি তৌরকপা-খঙঙ্ কতয়ে হায়হনা নিংথৌদা হুংগৎলে। অহদা নিংথৌনা নুপাহদা তাকলে অহনি ইশাগী ইথৌদা পুক্লিং চংলবদি ইনাক্তা কনানা করি তৌরি করি হায়রি খঙদবনি। খুদক্তা নুপা অহ রাথল তৌরহনা নিংথৌদা খুরমজহনা হন্‌খী। মহৈরোয় পুম্বনা রারি অসিগী রামচংসি খঙ্‌না চংলবদি মশাগী পনথুংফম পন্দনা য়োবা ঙমগনি। খুনাইদা মালেমদা জোংকী যুম্বীরেল য়ুংঙম্ব ঙমগনি॥

---

* "The beginnings of this Old Manipuri Literature (as in the case of Newari) may go back to 1500 years, or even 2000 years from now."—

**—Suniti Kumar Chatterjee in Kirata-Jana Kriti.**

# 'অউনপোৎ তানবা' খুনাইদা অম্নাঙবনি

—কে, সরস্বতী

খ্রমথেংনা চাওখৎলবা ঙসিগী মালেমসিদা লুহোংবদা নূপী ময়ুমদা 'অউনপোং তানবা' চৎনবী অসিনা ভারতকী খুনাই কয়াদা মোংম নোংমগী লৈখা তারকপদা নত্তনা মীওইপোকতা থোকহৈদবা থৌদোক কয়াস্থ তত্তনা থোকই। ভারতকী চাওখৎলবা মফম কয়াদা অউনপোং তানবা চৎনবীগী মহৈ ওইনা নৌজরিবী মৌ কয়াগী পুন্সি লমথাংদা কেমখিবা ঐখোয়না পেপার, মেগাজিনদ তত্তনা থেংনৈ। কনাগুম্বা মপা মমানা মতিকাচানা অউনপোং পিবা ঙমদবা মরম ওইদদগী মনেম, মকু, মপুরোইবগী ওং নৈবা খাংবা ঙমদহনা মশা মতোমতা থরায় থাজবা (আত্মহত্যাগী) থৌদোক থোকই। অসিনা মরম ওইহনা ইমুং-মন্নুং নুপা–নুপী ওইবগী হং-তপপা পুন্সি অমা ওইরকপদা চাওরবা অপনবা পিৰতা নত্তনা নুঙাইরবা নৌরবা-নৌরবীগী লুহোংবগী নুঙাইবগী মহাও অহবু থায়াক-নহল্লি। 'অশেংবা নুংশিবা' হায়বগী মমলহস্থ হস্থহল্লি। 'নুপীদগী অউনপোং' তানবা চৎনবী অসিনা ঙসিগী মীয়ামগী খুনাইদা সমাজবাদ) মপুং ফানবা পুখৎলকপা পান্দমদা অপনবা পিবতা নত্তনা খুনাইগী মায়োকতা লৈহনা নুপীদগী নুপানা থাক হেল্লি (Superiority) হায়না শেমগৎ শাগৎপদা অকনবা মতেং ওইহল্লি। লোয়ননা লাইরবা মপা-মপাগী মথকতা চাওরবা অরাবগী পোৎলুম অমস্থ ওইহল্লি।

*'অউনপোং তানবা' অমসুং লৌবগী চৎনবী খুনাইগী চাওরবা লাইনা অমনি ঃ—*

১। ঙসিগী মালেমদা খুনাইগী নুপী-নুপা থাক চপ মান্নে হায়বা খোল্লাও অহুগী মায়োকতা লৈহনা 'অউনপোং তানবা' অমদী লৌবা চৎনবী অসিনা নুপী-নুপা আরাং-অনেম থাইবদা ময়েক লাহনবতা নত্তনা ভারতকী সংবিধানগী মায়োকতস্থ লৈরি।

২। 'অউনপোং তানবা অমদি লৌবা' চৎনবীনা ঙসিগী খুনাইদা শন্দোকপা য়াবা লাইনা অমা ওইনা শন্দোরকতুনা জাতিদা (Nation) অক্কিবা অমস্থং মোরেলগী লমদা অরাবগী চৈথেং পিরি।

৩। 'অউনপোং লৌবগী চৈথেংনা নুপী কয়া খুনাইগী ওন্নতৈনবা মায়োকতা লৈহনা শেল তানহনা মশাবু মশানা য়োনথোকচহনা হায়রিবা খুনাইগী লাইনা অসিদগী কননবা হোৎনবদা নুপীনা ফত্তবা লম্বী কুমথরকপদা লমজিং ওইরি।

৪। 'অউনপোং লৌবা চৎনবী অসিনা নুপী ওইবী হায়বসে য়ুমগী মৌ ওইনা মপাঙ্গল থোকতবী অমস্থং নুপাদগী নুপীনা থাক নেম্মী হায়বদা শোগৎল্লি।

*খুনাইগী লাইনা (অউনপোং তানবা অমদি লৌবা) অসিদগী করম্না ঙাকথোকপা ঙমগনি ঃ—*

খুনাইবু অচুম্বা মওংদা চুমথোকচবা পামজবা কয়ানা চহীচা ১৯ অমস্থং ২০ দা রাজা রামমোহন

OKDISCD

রায়, রাণা দে, ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসাগর, মহাত্মা গান্ধী অমসুং ডাঃ অম্বেদকারনা মমাংঙৈদগী চৎনরকলিবা Dowry System অসিবু মুথৎনবা হোৎনরকখি।

Mahatma Gandhi না dowry System অসিবু মুথৎনবা কল্লা তকশিল্লম্মী। মহাকনা হায়রম্মি—"There is no doubt the custom is heartless. The dowry system has to go. Marriage must cease to be a matter of arrangement made by parents for money". He was of the opinion "any youngmen who makes dowry a condition of marriage discredits his education and his country and dishonours womenhood."

শম্না হায়রবদা—জাতিগী বাপু মহাত্মানা "থরায় য়াওজ্রবা খুনাইগী অসিগুম্বা চৎনবী অসি লাপনা থম্বা পামলম্মী। মহাকনা অপাম রাখল্ল ফোংদোকলম্মী—কনাগুম্বা নহানা অউন-পোৎ পামলবদি মহাক্না হৈজরিবা লাইরিক লাইশু অত্থুগী মমল য়াওদ্রবনি অমসুং লৈপাক্কী ওইনা লোয়ননা নুপী কাংলুপপু ইকাইখুম্নবা উৎতবনি অমসুং নুপী কাংলুপপু থৌ শাদবনি।

ফত্তবা লাইনা অসিবু থিংনবগী দমক্তা **Dowry Prohibition Act of 1961** দা অস্নুম্না পল্লি "The Act states that if any person gives, takes or abets in the giving or taking of dowry shall be punishable with imprisonment which may extend to 6 months, or with fine which may extend to five thousand rupees (Rs. 5000/-) or with both. The Act provides that every offence under this Act shall be non-cognizable, bailable and non-compoundable."

অসিগী মতুংদা—The Dowry Prohibition (Amendment) Act 1984, Which makes the provisions of the original Act more Stringent and effective against offen-ders came into force on Oct 2, 1985.

Under the amended Act any property or other valuable security given or agreed to be given in Connection with a marriage analysed for Cosmic dust and polar fallout of radioistopes.

***ফত্তবা মহিক অসিবু ঙাকথোকপগী পাম্বৈশিং ঃ—***

১। নুপী কাংলুপসু মমা-মপা ওইবনা মচা-নিপাদা মতিক্ক চাবা শিক্ষা পিবগুম থরায় য়াওনা পিফম থোকই॥

২। নুপী কাংলুপনসু খংজিনবা তাবনি খুনাইদা নুপীগী থাক করম্না লৈগনি। অসিগী মতাংসিদা নুপী কাংলুপনা মখোয়গী 'Women's Organisation গী মতেংনা লাইরিক লাইশু হৈরবী নুপীনা মফম মফমদা চত্তুনা খুনাইগী ফত্তবা লাইনাসিদগী ঙাকথোক্নবা পাম্বৈগী মরমদা খংহনগনি। লোয়ননা 'অউনপোৎ তানবা অমদি লৌবা' কাংলুপপু খুনাইগী য়েক্নবনি থনজুনা মতম পুম্বদা 'Law and Order গী মতেং লৌরগা থিংনবা হোৎনবদা নুপা-নুপী পুন্না থৌদাং য়াগনি।

৩। 'অউনপোৎ' গী চৎনবীগী মথক্তসু শেনজাও পায়বা কাংলুপনা 'শেল চংনা লুহোং-লিবা' অসিসু থিংনবগীদমক্তা Law and order শেম্বনা লাইরবা মমা-মপা কয়াগীসু য়াইফবা ওইবতা নত্তনা খুনাইগীসু অফবা ওইগনি।

৪। ভলনটিয়ারশিংনা লাইনাসিবু ঙাকথোক্নবা পাম্বেদি নুপী কাংলুপবুসু লাইরিক হৈনবা National Adult Education Programme 1978 গী মতুংইন্না মখোয়নসু ভারতকী মতিক্ক চাবা নাগরিক অমা শেম্বদা মতেং পিহনা ফত্তবা লাইনা অসিবু মরূ ফুক্নবগীদমক্ক 'নুপী লালহৌ" হৌহনবা তাবনি।

***মীতৈ খুনাইদা অউনপোৎ তানবা অমদি লৌবগী চৎনবী ঃ—***

থায়না মমাংঙৈদগী হৌনা মীতৈ খুনাইদা অউনপোৎ তানবা অমদি লৌবগী চৎনবী লৈরক্কতে অমসুং হৌজিকফাও লৈত্রি। 1500 B.C দগী মীতৈ খুনাইদা মচা নিঙোল থাজবদা মপা-মমানা অউনপোৎ পিবা চৎনরক্কই হায়না 'Meetei Personal Law' দা পল্লি। অহান্বদা লৈত লাইরবা শিংনা মচানুপী থাজবদা রা-ফক্ (bamboo mat) অমতং পিনরম্মী হায়না মীতৈ পুয়ানা পল্লি। 3 B.C লোই-শিল্লকপদা ফিরাল অমসুং পোৎচৈনচিংবা কয়া পিবা হৌরকখি। মীতৈনা হিন্দু ধর্ম্ম চঙজিল্লিবদা মমাংদগী থাজবদা ফিশা-লোনশা গী পোৎচং হায়বদি তরেং-কপত্রেং, তরোৎ-তামাং অউন-পোৎ ওইনা পিবা চৎনরকলি। অদুবু হৌজিক্কী অতোপ্পা খুনাইদা চৎনরীবা অউনপোৎ তানবা (dowry) অমদি লৌবা অসিদি নৎতে। হায়রিবা চৎনবী অসে মীতৈ খুনাইদা লৈত্রবসু ২০ শুবা চহীচাগী লোইশিল্লমদাই অসিদা মপা-নগী চৎনবীনা চাওরবা শাফুগী শহুম খরা মীতৈ খুনাইদা ভাবদি হৌরে। হায়বদি ঐথোয়গী চৎনবী তরেং-কপত্রেংদগী ঙসিদি টিভি, ফ্রিজনা চিংবা অউনপোৎ ওইনা পিবা হৌরকলে। মসে পিরকপা ঙম্বা ইমুং অদো অহেনবনি হায়না হনবদগী চৎনবী অসে লমজেল ওইনা ভানরকপগী ফিভম উবা ফংভি। অউন-পোৎ য়াম্না পিরক্তবনা মরম ওইদুনা অনৌবী মৌ অদুদা মকু-মনেম, মনম্মা, মচন শিংনা ওং-নৈবা মীতৈ খুনাইদসু থোকতবা নত্তে। অঙ-কপনি। মনেম মহাকসু নোংমা কনাগুম্বী অমগী মমৌ ওইরক্কলিবনি মনম্মা-মচন মখোয়সু নোংমা মীগী মৌ ওইরগদৌবনি হায়বগী কাউথোকপদগী থোকপনি।

অসিগুম্বা ফত্তবা চৎনবীশিং অসে নৌরিঙৈদা ঙাকথোকহৌবনা খুনাইগী য়াইফবা ওইগনি।

---

* "ওই কুৰঙ্গনয়নীৰ সূত্ৰে অসমৰ চিৰকলীয়া মিত্ৰ সম্বন্ধ স্থাপিত আৰু আজিলৈকে মণিপুৰীয়া সকলে কুৰঙ্গনয়নীক অসমৰ স্বৰ্গদেৱৰৈলে দিয়া হৈছিল বুলি অসমীয়া বিলাকক স্নেহ আৰু মিত্ৰতাৰ চকুৰে চায়"

*—ডাঃ সূৰ্যকুমাৰ ভূঞা —'স্বৰ্গদেৱ ৰাজেশ্বৰ সিংহ'*



OKDISCD

# ক্কাক্ অমসুং তিন্থোক্

—এন্ ইন্দ্রকুমার সিংহ

ক্কক্না তিনথ্রোক্তা হায়রকই—

"মরেং মরেং লেং,
মরু-ময়াং তেং,
ছিঃ ছিঃ ইশাং-শাং,
মাই মাই থেং।
মকক্ মকক কক্,
মহক্ মহক্ হুক্
তাইবংনা খোইদা জক্
কল্লক্ পেল্লিকা থ্রোক্।

তিন্থ্রোক্না ক্কাকদা পাউথুমলক্ই—

"মু-মু মশুক্ মু,
মমা তিকি মুবী মু,
ছিঃ ছিঃ হামুক্ মু,
মাই, মাই মায়মু।
নকোন্দা মীচা পোক্,
ইচা শরূা য়োক্,
চাউরগা হুঞ্জেহুক্লম্বা থোক,
কল্লক পেল্লিদা ক্কাক্।" □

* "মীচা চাওনবা য়োকলগা, থম্মোইদা লাইমন ঙাইহৌবা নত্তনি"। —ইদিতর



# মীতৈ লৈমা

—হাওবম চনু ইবেমচা

কৈকদনো ইমা মীতৈ লৈমা!
কৈদনো ঐগী অশেংবী ইমা?
ইমাগী খোংগুল থিগৎচবা—
চহী কুমজা ফারক্লে,
ইমাবু কোয়না থিজরকপা—
লৈকায় য়ুমথোং শুরক্লে,
কৈদনো ইমা মীতৈ লৈমা!
কৈদনো ঐগী অশেংবী ইমা?
ইমাগী শক্তম উজনিংতুনা
ইমাবু কোয়না থিরকপনি,
অরেপ্পা-অশেংবা খংজনিংতুনা
কঙাওনতুনা চৎচবনি,
কৈদনো ইমা মীতৈ লৈমা!
কৈদনো ঐগী অশেংবী ইমা?
মীতৈ ইমা লাইরবী
কয়ানি তুমতুনা লৈথিগনী—
মীতৈ লৈমা শকহেন্বী
কয়ানি খাংতুনা লেনখিগনী?
নমোম ঐনা হিংলিঙৈ
অমুক্তদি তাইবং ফাওরক্লো!

তাইবংপান ইথমনড্রিঙৈ
অমুক্তদি নশক তাকথোক্লো।
কৈদনো ইমা মীতৈ লৈমা!
কৈদনো ঐগী অশেংবী ইমা?
লাও ঐগী ইতারোয়
মাং থাজগে নুপীরক্তগী,
লাও ঐগী মরুপলোয়
থৌনা হাপ্লগে পাঙ্গনবগী।
মীগী মমা মশক ফজবী
ঐখোয়গী ইমা নত্তেদো,
মীগী মপা য়াত্ত পাদবী—
ঐখোয়গী ইপা নত্তেদো
কৈদনো ইমা মীতৈ লৈমা!
কৈদনো ঐখোয়গী অশেংবী ইমা?
অচুম্বগীদমক লান্থেংনগে নিংহন্দবা ইপানি,
মবুক্কফবী লাইরবী মীতৈ লৈমনা ইমানি।
তাকপীয়ুগবা ইপা-ইপু নিংহঞ্জরোয় অচুম্বগীদমক
লাইররবী ইমাগী মতিক-ময়াই শন্দোক্কে।
ইপুরোয়বা ইবুংঙো ননাই ওইনা হিংজগে
নপারী-নমোম ঐখোইদা মপুগী শিন্থ পীনবীয়ু। □

* *"ফজরবসু ইমানি; থিরবসু ইমানি; মীগী মশক ফজবী মমাদো; ইমা ওইগে য়াদবনি"—॥ —ইদিতর*

OKDISCD

# লাইপোক

—মৈনম জয়মঙ্গোল

নৈলেকাই ঙাকপদো,
খুঙ্গং শেন্নবদো,
খুঙ্গা পুবদো,
মীয়ামগী থৌদাং য়াবশিংদো,
লৈবাক ঙাকপদো,
লাইপোক্কনি মখোয়দি ;
থৌনাস্থু ফবনি, মীৎয়েংস্থু চুম্বনি,
মশকস্থু ওনবনি মচু মচুগী
অয়ুক্তনা অশংবা,
নুংথিলদনা অঙৌবা,
য়াচংবদনা অঙাংবা,
নুমিদাংদনা অমুবা,
অথেংবদনা মী ॥ □

*"Freedom is first of all a freedom from oneself as a product of the past, because the influence of the past is a limitation of the present."*

—N. Sri Ram

* *"লৈবাক ঙাকপশিংসে মখল কয়াগী মচুনি–মখোয়নি হৌজিক্কী ফোংনা তৌবা ডাকু"।* – ইদিতর



# কেন্সারশিদগী কন্নবা শিদ হিদাক

—জয় নিংঙোম্বম

ম্মাইকৈ অমদগী লাওরকলি
খোঞ্জেল হৌনা
মকন্থী থোকপা মখৈ
হৌনা লুম্নবা
অন্ধ বিশাযকা মহীক চংশ্রবশিংহুনা
খল্লুদে মখোয়না
লৈজরম্বা পুম্বা চিকমাংনখ্রে হাইবা
অসিমদি থংডি
হরি নামনা লোম্না পাম্বৈনি
রাধা-কৃষ্ণগী
নুংশি নুঙোলগী ঋরি শিংহনা
খল্লি মখোয়না
বামোনদি লাইগী মচা মশুনি
লাইগী য়াথং
ঐখোয়না করিগী হীকতোক্কদে।
অত্তবু,
লাক্রবদা মতম অমা
মখোয়গী মরক্তস্থু
চরক-চহিং নাইবা য়াওরকলে
হেন্না চাওনিংবগী
অশেং-অমাংগী পারটি অনী চোংথরক্কলে
চহীনা লুম্নবশিং
কয়স্বা পারটিগী মাইকৈদা লেপকদগে
খনবদা ঋান্নরে
মাগী মাগী পারটি শোগৎন্নবদা
অত্থাদ ঐখোয়
ওইবা তাবনি ঐখোয়স্থু পারটি অনী
অত্তুনস্থু লোইজিন্ন
পারটি অমগী য়াইতোংবা অমনা,
তোঙানজরবস্থু পারটি
মাদি ঐগী লুনা তিন্নবা মরুপনি
করন্না থাদোক্কনি।
থাদোকপা ঙমদ্রবদি নংস্থু চৎখ্রো
অক্কনবা য়াথংনি
অপংবা খিবদা ঋারবা মতমশিদা
ঐখোয়গীদি হেনগল্লক্কই
অমগী মথং অনী, অনীগী মথং অহুম
মীতোপ অমনা হংলকখি,
আনি হাইবশিগী অর্থ করিনো ?
অনী হাইবনি।
তোল্লবা ঐগী পাওযুমহুদা মথা তারকত্রে
মথা তারকলল্লবদি,
ঐ কংফালহুদা ইরাক্রমগনি।
মাংহনবিথ্রবনি পূন্নমক
লৈজরম্বা য়েক-সলাই ফাওবা গোত্রনা শিলহৌরবনি।
মাংহনথ্রবা নৎত্রা ?
ঐখোয়গী লৈজরম্বা পুয়াশিংহু ফাওবা
ইপা, ইপু—
ঐখোয়স্থু মখোয়গী মতৌ তম্নবা
মাংথরক্কলিবা চাংচৎ
অস্থুম্না অস্থুম মাংথরকপা তারবা
নোংমদি মাংখিবা য়াই

OKDISCO

মীতৈ হাইবা জাতিশিমক মালেমদগী
জ্ঞান তান্নবা
চাওখৎপগী লমজেল তান্নবা মতম
অশিংবা কাংলুপ্পা
থাগী লৈবাক্তা য়ুমলিংনবা হোৎন্নরিবা
মতমশিদা ঐখোয়না,
কান্নদবা অন্ধ বিশাযতা ক্ষরিগী তাওরি
মীকপ থোক্লশি
২১ শুবা চহিচানা য়েনিং হুল্লকপশিদা
থনমশি লক্ষ্মী
হৌরকলিবা খুনাইগী চারশিংশিগীদমক
কলহৌশি ঐখোয়
নারিবা কেনসারগী লায়নাশিদগী
খারমশি পল
কেনসারনা লানশিল্লকপা ঙমদনবা
থন্নহৌশি ঐখোয়
কেনসারশিদগী কন্নবা শিদ হিদাক। □

---

※ *"অহৌবা লৈরবদি, অরোইবসু লৈবা তাবনি, শিনি খংলবা মীওইবা কনানা নীংশিংলুদে মীকুপতো। অহেনবা তান্নবা তাইবঙসিদ" ॥ —ইদিতর*

---

## মৈতৈ লৈরাং

—মিলকমল লোংজম
*এইছ, এস, অনিশুবা চহি*
*এ, দি, পি কলেজ।*

লৈরাং মকা লাম্না
মৈতৈ লৈকোন্দা শাংলিবী,
লৈরাং লৈনম ফুগাইনা
মৈতৈ লৈরাং নিংথিবী।

মীরৈবাক্ত লৈকোনগী লৈকোক্তা
লৈমন চল্লুবগী মহুৎতা,
মৈতৈ লৈকোনগী লৈকোক্তা
লেংদনা লৈমন চনি।

পলেম-পন্থো অনীবু
লোরোক তাহল্লুবগী মহুৎতা,
শিংজেন মাল্লবগা লোইননা
থাংগৎসি দোপ্লাই মথক্তা।

মৈতৈ ঐখোয়গী লৈকোন্দা
ধুক্র তরাগুম ঙাল্লিবী,
সতী পুবী লৈরাংশিংদো
কাননা মুংশিহৈদে হায়গনি।

মৈতৈ ঐখোয়গী লৈরাংনা
জাতিগীদি মীংশেন ওইনরি,
মৈতৈ খুথেক শাথেক্তা
জাতিবু মশক শেংহল্লী।

মৈতৈ ঐখোয়গী ঈনাৎ
মথল মচু মথেলগী লৈনা,
মরোঙনাই,' মোইরাং ফিতুপ
অথোইবা ওইনরি মলেমদা।

মৈতৈ ঐখোয়গী ঈনা
শিংলিদা চেল্লীবা মথৈ,
মাংহনগুমসি মৈতৈ লৈরাংগী
তমথিরবা মতিক মগুনবু।

মৈতৈ ঐখোয়গী লৈকোন্দা
লৈরেন কয়া শাৎথ্রবস্ন,
অমুক হন্না শাৎলখিগনি
লৈরেন সিশিং লিশিং। □

---

* *"ঐখোয় হৌজিক তুমদুনা লৈবা মতম নত্রে, খুনাই অসি কনবদা মীপুম খুদিংমক্কী চাওরবা থৌদাং লৈ"।* -- ইদিতর



## করিগুম্বা

—টিএইছ, বিমোলা চনু
*এইছ, এস, অনিশুবা চহি*

উথক্তা পানবা উহৈনা
লৈমায়দা পানবা তারবা
অঙাং মরাং হৌগনি
অফং অফং চান্ননি।
ঈশিংদা লৈবা ঙা-মথৈ
লৈকংদা লৈবা তারদি,
কয়াদি লাইনা ফাননি
চাবা ঙমদনা লংথোক্কনি।
শংগোল্দ লৈবা ষন-ইরোম্ব
উচেক্কুম পাইবা তারবা
তোংতুনা কোয়পাই পাইননি
গাড়ী লৈজ্রম্বু য়ানরনি।
নোংপোক্তা থোকপা নুমিৎনা
নোংচুপ্তা থোকপা তারদি,
হিমালয় কাগে চৎপদা
সমুদ্রদা ইরুপতুনা তোক্কনি।
নোংপোক্তা লৈবা ভারতসে
নোংচুপফী লৈবাকনি হায়রনি,
মীথানদ্রবা ভারতসিন্ধু
চাউথৎপা লৈবাক্নি হায়নরনি।
ভারতকী নোংপোক চিদাইদা
লৈবা মনিপুরনি হায়ররোই,
ভারতকী ওইগী নাপ্পদা
থেৎপা শীঙেলনি হায়নরনি। □

---

※ *ঙসিগী অনৌবা অওনবাসে, হয়েংদি শোয়দনা "অরিবা" ওইখ্রগনি ॥ —ইদিতর*

# মতমগী হেলোয় শকহেনবী

—নোংথোম্বম নবকিশ্বর
এইচ, এস, অহানবা চহি

মতমগী হেলোয় শকহেনবী
মোমোন মীনোক্লা লৌনম্বী ;
লৌনম মীচিনা লাংথাকপী,
মতমগী হেলোয় শকহেনবী — ॥

শম্লাং ফৈকক কক্লিবী—
খুনিং রাংবী তো লিবী
টাইট ইস্কার্ট শেংলীবী ;
মতমগী হেলায় শকহেনবী — ॥

ফিলম ষ্টারস্থু য়োঙমদা ;
মেম সাহেবস্থু ওইঙমদা
অরেম্বদা মাংগদবা পামুইদা,
মতমগী হেলোয় শকহেনবী ও !

ফাইত-পিছ লিংশিল্লে ;
ঙকশম কোলার হাপচিল্লে,
খোংগ্রাও আরাওবী শেৎচিল্লে
পাখং ঐখোয়দি করি লিংঙনি ?

শক্কী শকমাইদি য়েংদ'
ঐ মঙাইরে মতাগুম,
চিনবানদা লিপচ্টিক তৈহনা
মমীংতা কাজল য়েক্তুনা ॥

লম্বীদা থেংনরে "তামো"
হোটেলদা ফংনরে কেথবী ;
ময়ুমদা উনরে "কোন হে"
মতমগী হেলোয় শকহেনবী ॥

মীগী ফিজেৎ শেৎতুনা
মীতৈ জাতি মাংহল্লে,
কৈদনো মীতৈ ঐখোয়গী
লেমজফমগী মশক ওইবদো।

পুম্নমক থাদোক্লসি ইচল-ও-ইচে ;
নুঙাইজদে নৌপানা-ও-নবুংনা,
রারোবদি তৌবিনু, পামজহুনা তৌবনি
মতমগী হেলোয় শকহেনবী ও ! □

---

*When wealth is lost, nothing is lost ;*
*When health is lost, something is lost ;*
*When charactor is lost, all is lost ;*

—Anon

---

* *"নিঙোলনা জাতিগী মমানি। জাতিগী কলচর নুপীনা শকতাক্লনি"।* —*ইদিতর*

# রাখল অমা

—খাইদেম অমল সিংহ

অনৌবা ইতিহাস অমা শেমনবগীদমক মচেৎ মচেৎ কয়া থোক্লা চোয়জ্জাইনরবা মনিপুরী মচাশিংনা ঙসিদি আশা অমগা লোয়ননা হোজাইদা পুনলপ্না তিল্লরি। লম-লমগী মীহুৎ-শিংনা ঐস্থু, মাস্থু, ঐখোয় খুদিংমক মণিপুরী মচানি হায়না শক্ থঙনরি, নোকমিন্নরি, ফমমিন্নরি। য়েলহৌঙৈদগী অরাবা নংহুনতা লাক্লবা মণিপুরী মচাশিংনা শোক ১৮১১ দা মণিপুর নিংথৌ মচা মশেল য়োৎ তিন্নক্কবদগী অরাশিংনা লান্দা-রকখিবা, 'চহি তরেৎ' খুন্তাকখিবগী রারীবু নিংশিংলগা কপমিন্নরি। তাম্লবা লমদম অমদগী লাকপা মীহুৎ অমনা লমদম অমগী মীহুৎতা চহিচা কয়াগা মমাংদা য়োনথম্ অমত্তদা শামিন্নখিবা মৈতৈ খুদৈ মতেক্ মচাদো খুদোল তম্নরি। চহিচা কয়াগী মমাংদা পৃথিবীগী লম্ফাংলবা লম্বীসিদা লমুক্লহুনা কায়নথ্রবা মণিপুরী মচাশিংনা অরা অনা কয়াগী পেহৌ পেহৌবা খোঞ্জেলদো পেহৌবরোই থনথ্রে, লিংজেল লৈনা হিংলক্লে। ঐখোয়দি য়ুমজাও অমত্তদগী হৌদোকখিবা শাগৈনি, মরু অমত্তনা হৌথিবা উপালগী মশামরেং ঙাক্তনি, লম-লমগী কল্লবা নোংলৈ নুংশিৎনা ফনা কন্না হুমহনস্থু মহৌশাগী অখাংকনবা লিংজেলদো ঙসিদি মালেমদা উৎলক্লে।

নোংমা চরা হেল্লবস্থু, হয়েংদি হিংদবা য়াদে খন্নক্সবা মণিপুরী মচাশিংনা ঙসিদি Union, সংস্থা কয়া শেমহুনা অমত্তা ওইবা লিচিংদা পুল্লপ পুন্না চৎমিন্নশি মতাগুম অমনা অমবু ঙাইনরি। মতম কয়া তুমশিন্নবা শাশিন্নরুরবস্থু মণিপুরী মচাশিংগীদি ঙসিসে খ্বায়দগী হেন্না লুরবা নুমিৎনি। জাতি অমগী হয়েংগী য়ুম্বীরেল ওইরগদৌবা মতৈরোয়, নহারোল শিংনা করিগুম্বা অমা ঙসি খনথহৌদ্রবদি মীগী মতৌ তম্লিঙৈদা ঐগীনি হায়না লৈজরম্বা লশিং ফিদো হয়েংদি মীনা মমিং লান্না থোনথ্রনি।

নিংথম থাগী মচ শেংলবা অতিয়াদা নোংইখোং খোংদনা নোং চুগনি হায়বা কনানস্থু থাজদে অহুবু মিৎ ভাংলগা তাংলে ভোট পাম্বা সরকারনা ঋতু মশক ইখং খংদনা অখং অহৈ শাহুনা নাইতোম শাৎচবা মৈতৈ লোনবু বিষ্ণুপ্রিয়া কৌবা রাহৈ তপশিনহুনা মণিপুরী মচাশিংগী থায়নগী মরিংজেলদো লৈম্বিব্রা চাংয়েংথি। ইমা লোনদি ইমাগী খোমলাংগা চপমান্নে" খনজবা মণিপুরী মচাশিংগী থম্নোয়দদি সরকারগী চাংম্নেংহনা অমুক্কা হেন্না লিংজেল হাপ্লীরি। শোক ১৯৪৯ গী Shillong Accord / Merger Agreement আসাম রাইফলনা হোম এরেস তৌহুনা নিংথৌ বোধচন্দ্র বু ওংপিখিবা ভারত সরকারগী তমথিরবা শরো, লম-লমগী অর্থনৈতিক. রাজনৈতিক চৈথেং কয়া কয়া পিহুনস্থু মণিপুরী মচাশিংগী লাইবক্তা তমথ্রবা মৈচাক কয়াসিদি থক্ কাউবা ঙমদনা হিংলনি। লম-লমগী অর্থনৈতিক, রাজনৈতিক চৈথেংনা শুরু-শুরু নৈহংপিরবা মণিপুরীশিংদি অমরোমদনা থুরক্কী ঈনা লাই

OKDISCD

শাবা হায়বদো থোক্কলে। সরকারগী পিনহৈবা আশীর্ব্বাদনা কোয়য়েৎ চাউনা য়েৎপা তরাগী মপু শাজিন্নবা নেতা শুয়ানা তরাগী মীংদা মখোং অনি, মখোং মরি পানবা তোংলি। শাজিন্নবা নেতাহুগী চৌকিদার ওইবগীদমক্তা লাইরবা মৈতৈ লৌমীহুগী লৌ পরি অমগা ওন্নরি। গান্ধী টুপী, জওহর কোট লিংপা নিপাদো মীয়ামগী নেতানি থাজরম্বা মণিপুরী মচাশিংদো ঙসিদি ইপা-ইপুগী য়ুমহোং তোয়রগা লাইরা তাল্লি হায়বা পাউরৌদো ময়েক শেংনা থংলক্লে।

ঙসিগী মালেমদা হিংলিবা নহারোলশিংনা মজাতিগীদমক্তা লাউরি, চেন চোংলি, কপলি অমগা অমগা শুদংনরি। মখোয়গী রাকৎতো ফনাম্থু চুমসন্থু, সরকারগী মমিং তাংবা, মরু পানবা খুৎলায়হুদি অচুম অরাল করিমত্তা খংবিদে। ইমালৈবাক ঙাকনবা শেমখিবা খুৎ-লায়নি। ঙসিদি ইমা লৈবাক্কী মহুৎতা ইমা ইন্দোস, ইচে ইচল শিংবু উরবদি অমুক্কা মহেল্লে মখোনা লৈবা শাহনা ইমাগী ঈজ্জৎ লৌবিরে। মমানিংরা নহারোলশিংনা ইমাগী ঈজ্জৎ ঙাক্কবগীদমক চৌংথুং মান্নুং, খুলক লৈরক তুমিন তুমিন রাতান্নরি অহবু অশিংশাবা খুরক্কী ঈহনা নাম কাম্বা হৈবা বৈষ্ণব সাহনা সরকারগী নাকোংদা হয়িং খোয়রাংবা ওইরি ঙসিগী নহারোলশিংগী রাকৎসে মাগীসু শরুক য়াওরি হায়না ফনাম্থু কন্না হায়রবনি অহবু সরকারগী আশীর্ব্বাদ পাম্বা বৈষ্ণবনি। লাইবাক থিরবা মণিপুরী মচাশিংগী ঙসিগী রাকৎসে বৈষ্ণব মানা থংজরবসু নোংমদি মতম লাকখিনি মতোমতা পীরাং শিন্থরককখিনি। শোক ১৯৭৫ দা আমেরিকাগী সি, আই, এ (CIA) গী ফম চাউনা পুরম্বা ফিলিপ এগী (Philip Agee) কৌবা নিপাহনা ফম থাদোকখিবা ১দি 'INSIDE THE COMPANY" কৌবা লাইরিকতো বৈষ্ণব মাম্থু পানিংলকখিনি। ফিলিপ এগীনা "ঐগীসিদি মালেমগী নৎলমদ্রে, ঐগীতা ওইরমলে" হায়রম্বা রাহৈশিংসে বৈষ্ণব মাগী নাকোংদা তানিংবা পোক্লকখিনি।

